# কোর কোমনা জিরি কংগ্রেস ওফিস মৈ থারম্লে

## মফম ৫ দা চথরম্বা বোমগী এতেকতা কংগ্রেস ৱার্কর শোক্লে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, জনুৱারী ৭ঃ* লালহৌ লূপশিংগী অপুনবা লূপ কোর কোমনা ইন্দিয়ান নেস্নেল কংগ্রেস পার্টিদা অথিংবা থম্বগী মথক্তা ৱার্করশিংদা অকনবা চেকশিন ৱাফম থম্লকখিবগা লোয়ননা মখল কয়াগী এতেকশিং মথং-মথং চথরক্লি।

ঙরাংদগী ঙসি নুমিদাং ফাওবগী মনুং ফাওবগী মনুংদা জিরিবাম ব্লোক কংগ্রেস ওফিস মৈ থারম্লে, কংগ্রেস ওফিস অমদি এম এল এগী ময়ুম য়াওনা মফম মঙাদা বোমগী এতেক চথরম্বদা কংগ্রেস ৱার্কর অমা বোম মচেৎনা পান্দুনা অশোক-অপন নংখ্রে হায়রি।

প্রেসনা ফংবা পাউনা হায়, ঙসি নুংমিদাং পুং ৭:১৫ রোম তারকপদা জিরিবাম বাবুপড়াদা লৈবা জিরিবাম ব্লোক কংগ্রেস কম্মিতিগী ওফিস অদু শকখঙদবশিংনা মৈ থারমখি। অদুমকপু কা হেন্না অমাং-অতা থোক্ত্রিঁদ্রা মফম অদুগী মীওইশিংনা কলহৌখি হায়রি।

কংগ্রেস ৱার্কর অমা অশোক-অপন নংহনখিবা বোমগী এতেক অদু ঙসি নুমিদাং পুং ৭:২০ রোম তারকপদা থৌবাল ডিষ্ট্রিক্টকী ৱাঙ্খেম কেন্দ্রগী মনুং চনবা চরাংপাৎ মমাং লৈকায়দা থোকখিবনি।

প্রেসনা ফংবা পাউনা হায়, কেন্দ্র অসিগী এম এল এসু ওইরিবা কংগ্রেস মীরেপ কে মেঘচন্দ্র সিংহগী ৱার্কর ওইনাম পণ্ডিট (৪৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা ইবোয়াইগী ময়ুমগী থোঙ্গালদা শাবা কংগ্রেস পোল্লিং অমদা গাড়ী মচা অমদা লাকখিবা নহা অনিনা বোম লংশিন দুনা পোকখায়হল্লমখিবনি। মসিগী মথক্তা নোংমৈ রাউন্দ অনিসু কাপশিন্দুনা এতেক তৌরমখি।

থৌদোক্তুদা কংগ্রেস ৱার্কর থিংঙুজম লুখোই (৩৭) অপোকপা কামজাও, চরাংপাৎ মমাং লৈকায়গী মমাই অমদি মখূৎতা বোম মচেৎনা পানবদগী শোক্তুনা রিমস হোস্পিতালদা পুখৎলক্তুনা লায়কন্নরি।

অমরোমদনা ঙরাং অয়ুক পুং ৫ রোম তারকপদনা শগোলবন্দ কেন্দ্রগী কংগ্রেস মীরেপ ওইরিবা এম এল এ ডা: কে ঐচ লোকেনগী ৱার্কর শগোলবন্দ মবুধৌ মন্ত্রি লম্পাক্তা লৈবা কে ঐচ ভুবনেশ্বরগী থোঙ্গালদা শাবা কংগ্রেস পোল্লিং অমদা গ্রেনেড অমা থমজিল্লম্লে। ইম্ফাল পুলিসনা গ্রেনেড অদু লৌখৎখ্রে হায়রি।ঙরাং নুমিদাং পুং ৮ রোম তারকপদা বিষ্ণুপুর ডিষ্ট্রিক্ট মনুং চনবা নম্বোল বজারদা লৈবা নম্বোল ব্লোক কংগ্রেস কম্মিতি ওফিসতা শকখঙদবশিংনা গ্রেনেড অমা লংশিন্দুনা এতেক তৌরমখি। অদুমকপু গ্রেনেড অদু পোকখায়হৌদবদগী পুলিসনা লৌখৎলবা মতুং পোকখায়হন্দুনা মাংহনখ্রে হায়রি।

ঙরাং নুমিংদা পুং ১১ রোম তারকপদা লমশাং কেন্দ্রদা কংগ্রেস মীরেপ ওইরিবা এম এল এ ৱাংখৈরাকপাম ব্রজবিধুগী লমদেং খুন্নৌদা লৈবা ময়ুমদা শকখঙদবশিংনা অমুক্তদা গ্রেনেড অনি লংশিন্দুনা এতেক তৌরমখি।

থৌদোক অদুদা বোম অমা পোকখায়রগা অমনা পোকখায়হৌদ্রে। অদুমকপু বোম পোকখায়খিবা অদুদা অশোক-অপনদি অমত্তা য়াওহৌদ্রে। পোখায়হৌদ্রবা বোম অদুনা ঙসি অয়ুক পুলিসনা লৌখৎখ্রে হায়রি।

মরক অসিদা কোর কোম ( কে সি পি, কে ৱাই কে এল, প্রিপাক, প্রিপাক-প্রো, আর পি এফ, য়ু এন এল এফ অমসুং য়ু পি পি কে) গী মচিন চৎপা অমনদি এতেকশিং অসি মখোয়না চথখিবনি হায়না ফোংদোক্লদুনা জনুৱারী ৫ অমসুং ৬ গী লোন্নবা অহিং নোংয়াই মতুং পুং ১২:২০ রোম তারকপদা শিংজমৈ ওক্রম লৈকায়দা বোম পোকখায়হল্লম্বা অমদি চিঙামথক ঙাক্রাবম লৈরকতা বোম পোকখায়খিবা অদুসু কোর কোমনা চথখিবনি। অদুমকপু ঙাক্রাবম লৈরককী থৌদোক অসিদি কংগ্রেস ৱার্কর অমগী ময়ুমদা টার্গেট তৌবদা শোয়খিবনি হায়নসু ফোংদোরক্লি।

অমরোমদনা ঙসি নুমিদাং চিফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীগী লোয়নবী এম এল এ শ্রীমতি ওংক্রম লন্ধোনী দেবীনা মীরেপ ওংগদবা মফম খঙবোকতসু কংগ্রেস ৱার্কর মোইরাংথেম মুনালগী ময়ুমদসু শকখঙদবশিংনা বোম লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্লে। অদুমকপু অশোক-অপনদি য়াওহৌদ্রে হায়না পুলিসতগী ফংবা পাউ অমনা হায়রি।